
# মহৌশাগী খুদোংথিবদা মতেং পাংবগী থবক রোবোটশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌহনগদৌরি



*ৱাশিংটন, এপ্রিল ২৬ঃ* তমথিবা য়ুহা হাবা অমদি ঈশিং ইচাওনচিংবা মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবশিংদা অৱাবা তারবশিংগী মতেং পাংবা অমদি মী কন্নবগী থবক্তা শীজিন্নবা রোবোট অমা পুথোক্লে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

পেন্টাগোনগী হায়টেক রিসার্চরশিংনা খ্বাইদগী কোন্না চথখিবা চাংয়েং অমদগী মীওইবগা চাওবা মান্নবা রোবোট অমা পুথোকখিবগা লোয়ননা য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি চক হেগেলনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রোবোট অদু হকথেংননা য়েংখ্রে হায়রি।

ফিট ৬ ইঞ্চি ২ (সেন্টিমিটর ১৮৭) ৱাংবা এটলাস হায়বা রোবোট অদু মীওইববু অৱাবদগী কনবা ঙম্বা মেছিনশিংগী চাংদান্নবা অমদা পুথোকখিবনি। পেন্টাগোনগী দিফেন্স এদভান্স রিসার্চ প্রোজেক্ট এজেন্সি (দি এ আর পিএ) না দিজাইন তৌবা রোবোট অসি খুদোংচাদবা লম্বী লমদাংদা কোমনা চখোক-চৎশিন তৌবা ঙমগদবা অদুগা অতেক অকাই থোক্লবা বিল্ডিংশিংদা চংবা ঙম্নবা শাবনি।

মরুওইনা জপানগী ফুকুসিমা সুনামি থৌদোক্তা থেংনখিবা খুদোংথিবশিং অদুগী মতুং তারকপদা অসিগুম্বা রোবোট অমা পুথোক্লবা ৱাখল তৌনরকপনি হায়রি।

পেন্টাগোনগী রিসার্সকী মশালোইশঙ অমা ওইরিবা দি এ আর পি এ না পুথোকপা রোবোট অসি দিফেন্স সেক্রেটরিদা উৎখিবনি।

দি এ আর পি এগী মকোক ওইবা ব্রেদ তৌসলিনা হেগেলদা হায়খিবদা, হোল্লিৱুদনা পুথোকপা ফিল্মশিংদা রোবোটশিংনা তশেংনা তৌবা ঙমগদবা থবক থৌরমশিং ওইথোকপা য়াগদবা মান্না উৎলি। অদুগা কৈরাক কাবা ঙম্বা, থোঙ হাঙদোকপা হৈবা অমদি মথৌ তাবা পোৎ-চৈশিং পুথোক পুশিন তৌবা ঙমগদবা রোবোট পুথোকপা হায়বসি ইঞ্জিনিয়ারিং অমদি কম্প্যুটর সাইন্সকী ওইনা অচৌবা শীংনবা অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

দিফেন্স সেক্রেটরিনা রোবোট য়েংবগী থৌরম অদুদা সাইন্টিষ্টশিংনা থোপকী ইম্পলস ওক্লগা থবক তৌবা ঙম্বা মেকানিকেল হেন্দ য়াওনা খ্বাইদগী নৌবা টেক্নোলোজিশিংসু উৎখি হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# অৱাং কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং পাঙথোক্কনি কিহনখ্রে

*সিওল, এপ্রিল ২৬ঃ* অৱাং কোরিয়ানা মরীশুবা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং অমা পাঙথোক্লবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা লৈবাক অসিগী মথক্তা খরা হেন্না চৈথেং কনবা সেঙ্কসনশিং থম্নবা খন্নবগী মতম ওইরক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

খা কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট পার্ক গিয়ুন হয়েগা পুন্না পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংলদুনা ওবামানা হায়খিবদা, অৱাং কোরিয়ানা কিহল্লক্লিবা অসিনা লৈবাক অদু মালেম খুন্নাইদগী হেন্না হেন্না নাইতোম তাহল্লকপা নত্তনা করিমতা ফংলোই হায়না ফোঙদোকখি।

অদুবু লৈবাক অমদা অহেনবা চৈরাক পীবা মতমদা লৈবাক অদুনা থেংনগদবা খুদোংচাদবশিং অদুসু মুন্না খঙবা প্রসিদেন্ট অসিনা ফোঙদোকখি।

অৱাং কোরিয়া অসি হান্নদগী মালেম অসিদা খ্বাইদগী নাইতোম তারবা লৈবাক অমা ওইরিবনি হায়নসু প্রসিদেন্ট অসিনা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অদুগী মীয়ামনা লৈঙাক লুচিংবশিংগী শেরান্নবা ৱারেপশিংনা ফংহনবা অৱাবা খাংলি হায়নসু ওবামানা মখা তাখি।

অদুবু লৈবাক অসিনা থোকহল্লিবা প্রোব্লেমশিং অসি খুদক্তা হেক্তমক লোইশিনবা ঙম্বা মীত্রংগী মরু ঐখোয়না ফংগদবদি লৈতে হায়নসু মহাক্না থমখি।

অৱাং কোরিয়ানা দিভলপ তৌনবা হোৎনরিবা মীসাইল টেক্নোলোজি অমদি ন্যুক্লিয়ার খুৎলায়শিং অসি কোরিয়া অমদি জপান হায়রিবা য়ু এসকী মরুওইবা মপাং লৈবাক অনি অসিদা হকথেংননা কিহনবা অমনি। অসিদসু নত্তনা অৱাং কোরিয়াগী থৌওং অসি য়ু এসতসু কিহনবা অমনি হায়নসু ওবামানা ফোঙদোকখি।

ফিভম অসিদা ঐখোয়গী পুক্নিং নিংহন্নবা পোকপা য়াদে। ঐখোয়গী ইপাং ওইবা লৈবাকশিংগা পুন্না পাঙ্গল শাগৎতুনা অৱাং কোরিয়াগী ৱাখল্লোন অসি তোক্লবা তকশিনবা হোৎনরি হায়নসু অপুনবা প্রেস কনফরেন্স অদুদা ওবামানা ফোঙদোকখি।

হ্বাইট হাউসনা হায়বদসু অৱাং কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং চথবা মফমশিংদা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং হ্বাইট হাউসনা কুপ্না য়েংশিল্লি হায়নসু ফোঙদোকখ্রবনি।

খা কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট পার্ক গিয়ু হয়েনা হায়বদসু মহাক্কী লৈবাকনা য়েংশিনবদগী খঙবদা অতোপ্পা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং অমা পাঙথোক্লবগী থৌরাং অৱাং কোরিয়ানা পুল্লোই লোইশিনখ্রে হায়বা খঙলে। ওইরিবা ফিভম অসি চাওনা পুক্নিং নুংনাংনিঙাইনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট ওবামানা লৈবাক অসিদা লাক্লিবা খোঙচৎ অসিনসু অৱাং কোরিয়াগী অতোপ্পদা কাইহৌবগী লিচৎ অদু মখা তানা য়ানিংঙাই ওইদ্রে হায়বা পাউচেল অমা কন্না পীবা ওইরগনি হায়না ফোঙদোকখি।



# ইরাক্তা বোম পোকখায়খ্রে মীওই ৩৩ শিখ্রে

*বাগদাদ, এপ্রিল ২৬ঃ* মতম কুইনা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিংনা কাং খোং চাইহল্লবা ইরাক্তা মীখল পাঙথোক্লবা ৱাফম লাউথোকখিবগা লোয়ননা মীখলগী শেম শাবদা লৈবাক অসিগী নোংপোক থংবা শরুক্তা অকনবা বোম অমা পোকখাইখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

বোম পোকখাইবগী থৌদোক অদুদা মীওই ৩৩ সু শিরে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

থৌদোক অদুদা শোকখিবা মীয়াম মরক্তগী ফিভম লুবা য়াওবা মরমনা অশিবগী মশিং অসি হেনগৎলকপসু য়ারি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখি।

সিয়াইদ কাংলুপকী মীওইশিংনা শরুক য়াদুনা মীখলগা মরী লৈনবা রেল্লি অমা পাঙথোক্লিঙৈদা শকখঙদবশিংনা বোম অদু পোকখাইহল্লকখিবনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ইন্দিয়াগা য়ুম্লোন্নরিবা পাকিস্তানদা ত্রাইবেলশিংনা নম্না খুন্দাবা মফম অমদা মান্নদবা ত্রাইবেল কাংলুপ অনি খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমসু থোকখ্রে হায়রি।

পাকিস্তানগী অৱাং ৱাজিরিস্তানগী লৱারা মন্দি এরিয়াদা থোকখিবা থৌদোক অসিদা মীওই অহুম শিরগা অনি শোকখি হায়রি।

# ইন্টর্নেট অসিদি সি আই এগী প্রোজেক্টনি ঃ ব্লাদিমির পুটিন



*মোস্কো, এপ্রিল ২৬ঃ* রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা হৌখিবা শগোলশেলদা হায়খিবদা, ইন্টর্নেট অসিদি সি আই এ প্রোজেক্ট অমনি হায়বগা লোয়ননা রুসিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা সার্চ ইঞ্জিন য়ান্দেক্সকী মরমদা ৱাফম খরা ফোঙদোকখি।

ক্রেমলিননা ইন্টর্নেটতা অহেনবা কন্ট্রোল লৈবা ঙম্নবা খোইরাংনা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখি। অদুগা ওপোজিসন এক্টিভিষ্টশিংনদি নেম্লেল টেলিভিজনদা ইন্টর্নেট লৈহন্দনবা ৱাফম পুখৎপগা লোয়ননা ইন্টর্নেটকী মায়োক্তা ৱাকৎ ঈহৌ শাগৎনবা ৱাখল্লোন থিরি হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

চয়োল অসিগী মনুংদা রুসিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনসু সোসিয়েল মেদিয়া ৱেবসাইটশিংনা মখোয়গী সার্ভরশিং রুসিয়াদা থম্নবা অদুগা সার্ভরশিং অদু শীজিন্নবগী ইনফোর্মেসন পুন্নমক সেভ তৌশিনবগী মথৌ তাবা অনৌবা লো অমা রুসিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌখ্রে।

পুটিনগা নক্লবা ললোন ইতিক তৌবশিংনসু রুসিয়াগী মকোক থোংবা সোসিয়েল মেদিয়া নেটৱার্ক ওইরিবা ভি কোন্তাক্টেপু কন্ট্রোল তৌরিবনি।

# চিন য়াগী প্রোব্লেমশিং ফহন্নবা য়ুমদা হোৎনজবা য়াবশিং

*মী অমনা চারি থক্লিবা পোৎলমশিং অসিনা চিন য়াগা মরী লৈনবা প্রোব্লেমশিং হায়বদি, য়া ফৎচিল্লক্তবা, শ্বর নমথিবা, চিল লৈ চাফৎপা, য়ারিগী লায়না অমদি য়াম মচু শেংলক্তবা অসিনচিংবা পুন্নমক থোকহন্নবা মরমনি। চিং য়াগা মরী লৈনবা প্রোব্লেমশিং ঙাকথোক্লবা য়ুমদা লৌখৎচবা য়াবা খোঙথাং খরা অখঙ অহৈশিংনা ফোঙদোরক্লি।*

*য়া মচু লংনা ঙৌনা লৈহন্নবা উপাই কয়ামরুম ঐখোয়না থেংনরি। অদুবু মী অয়াম্বনা উপাইশিং অদু থোইনা মরুওইনা লৌনদে। য়াবু ঙৌনা লংনা লৈহনবদা থোইদিং থাও হায়বসি অফবা হিদাক অমা ওইনা মরাং কায়না ফংবা পোৎশকনি।*

*মসিনা য়াবু ঙৌহনবতা নত্তনা হকচাংদা হু চেনবা পোৎলমশিং য়াওবদগীসু শেংদোকই। ইচম চম্বা শেল ইতিং তিংদবা থৌরাং অসিদা থোইদিং থাওনা চিং য়াবু তেংথোকপা অসিনা খ্বাইদগী মরুওইবনি।*

*থোইদিং থাও চামচ অমা অয়ুক অঙনবা চাকখাও হাঙলিঙৈদা চিনদা উমশিল্লো। মিনিট ১৫ দগী ২০ ফাওবা থাও অদু য়ানুংদা ওৎপগা লোয়ননা চিন মনুংগী কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা তেংথোক্লগা কামথোকখ্রবা মতুংদা অশেংবা ঈশিং ইচমনা অমুকসু তেংথোক্কদবনি। থৌরাং অসি অয়ুক খুদিংগী চথবদা য়া মচু ফজনা লৈগনি।*

*অনিশুবদা, ঐখোয়গী হকচাংদা য়াম্না কান্নবা লফোই অসি চারবা মতুংদা মকু অদু খঙদবদগী হুন্দোকই। অদুবু লফোই মকুগী মনুং থংবা শরুক্না য়াদা তকপদা মচু শেংহল্লি। য়াদা তক্লবা মতুংদা মিনিট ১।২ লৈরগা ঈশিংনা তেংথোক্কদবনি।*

*অহুমশুবদা অকংবা নত্রগা অচোৎপা তুলসি মনাগা অচাথাও অশেংবগা য়ানশিন্নরবা অদুগা মদুদা কোল্লা মকুগী মকুপ হাপচিল্লগা চিন শেংলবদি য়ারি য়াখোং ঈ থোকপদগী ঙাকথোকপদা নত্তনা য়াগী মচুসু থৌগৎলি।*

*মরিশুবদা, খোঙনাং বোটকী মরা য়াদা শায়বদা য়াগী মচু লংখৎহল্লি। লৈমায় মথক্তা শন্দোকপা মরা অদুসু চিন য়া শেংবদা ব্রস ওইনা শীজিন্নবা য়াই।*

*মঙাশুবদা ভিটামিন সি য়াওবা চিঞ্জাকশিংনা য়াগী মচু ফজহল্লি। ভিটামিন সি মরাং কায়না য়াওবা চম্প্রা, খামেন অসিনবা, কোল্লা, হৈক্রু অসিনচিংবশিং অসি শায়দুনা চাবদা য়াগী মচু লংহনবা অদুগা য়ারি য়াখোং শেংনা থম্বা পোলিমশিংনি।*

*অদুবু হায়রিবা পোৎলমশিং অসিদা এসিদকী চাংসু ৱাংনা য়াওবা মরমনা চয়োল অমদা অনিরক অহুম্লক্তগী হেন্না শীজিন্নদবা ফৈ। হায়রিবশিং অসি চাবা হেক লোইবগা খুদক্তা ব্রস তৌথোকপা কাওরোইদবনি।*

*য়া চিকপা হায়বসিসু য়াম্না নুংঙাইতবা মওং অমনি। য়া চিক্লকপা খুদিংগী দেন্টিষ্ট অমগী মনাক্তা চৎপা ঙমদবা মরমনা য়ুমদা হোৎনজবা য়াবা থৌরাং খরা হায়বা তারগদি চনম অমদি লোংপাল অসি কান্নবা হিদাক অমনি।*

*চীক্লিবা য়া অদুদা কুপখাইরবা চনম হকথেংননা হাপকদবনি। মদুনা এন্টি বেক্টিরিয়েল অমদি এনার্জেসিক প্রোপর্টি য়াওবা মরমনা খুদক্তা য়া চিকপা ফহল্লি। অদুবু চনমগী চাং হেল্লবদি য়ারিদসু শোকহনবা য়াই।*

*লোংপাল হায়বসিসু য়া চিকপদা শীজিন্নবা য়াবা য়ুমদা লৈবা হিদাক মখল অমনি। ইচম চম্না লোংপাল খরা মকুপ তানা তকখায়রগা য়া চিক্লিবা মফম অদুদা থোমগদবনি। মদুদা খুদক্তা য়া চিকপা ফহনগনি।*

*চিন য়াগী প্রোব্লেমশিংদা চিগোংলৈ পাম্বীসু অফবা হিদাক অমনি। চিগোংলৈ মশা মৈ থারগা লৌবা মৈতানগা মৈদা লৌথোক্লবা ফিজিগ্রি খরগা পাউদর ওইনা শেল্লগা চিন শেংবদা য়াগী মচু লংহল্লি। চিগোংলৈগী মশা অসি হুন্দোকখিবা য়াবা টুঠ ব্রস অমসু ওই। মসিনা য়ারিদা ঈ থোকপা ফহনবতা নত্তনা অনোম্বা য়া চেৎশিনহনবা ঙম্মী।*

# সমুদ্র ইরোন্নুংদা খনি চলাইবগী থৌরাং ওইথোকপা য়ানা লৈরে



*সিটল, এপ্রিল ২৬ঃ* মালেমদা ইহান হানবা ওইনা সমুদ্রগী ইরোন্নুংদা খনি চলাইবগী ৱাফম ওইথোকপা য়াবগী মতম নকশিল্লক্লে।

পাপুৱা নিউ গিনিগা কানাদাগী মাইনিং কম্পেনি অমগা সমুদ্রগী লৈখাদা অকক্লবা মফম খরদা তৌথোক্তুনা খনি চলাইবগী য়ানরোল অমা ফাইনেলাইজ তৌখ্রে।

য়েৎননিঙাই লৈরিবা প্রোজেক্ট অসিনা সমুদ্রগী ইরোন্নুংদা মিটর ১৫০০ লুবা মফমশিংদগী কোরি, সনা অমদি অতৈ মমল তাংবা ধাতুশিং লৌথোক্লবা পান্দম তৌরি। অদুম ওইনমক অকোইবগী ফিভম ঙাক শেনবা কাংবুনা হায়বদা, খনি তৌরবদি সমুদ্রগী লৈমায়শিং অমাং অতা থোকহনগনি। অদুগা ঈশিং মনুংগী অহিংবশিংদা মতম লিশাং শীৎনা মহাম তাহনগনি হায়না ফোঙদোক্লি।

নাউটিলস মিনরেলস হায়বা কম্পেনি অসিনা পাপুৱা নিউ গিনি (পি এন জি) মনাক্কী সমুদ্রগী ইরোন্নুংদা খনি চলাইনবা ইং ১৯৯০ দগী থৌরাং তৌবা হৌরকপদা পি এন জি গভর্নমেন্টকা ওপরেসনগী টার্মশিংগী মতাংদা লৈখায় তাবা ঙমদনা মতম শাংনা য়েৎনদুনা লাকখিবনি।

হন্দক্তা শেমখিবা য়ানরোল অসিগী মখাদা ওপরেসনগী চাদিং ওইনা দোল্লর মিল্লিয়ন ১২০ পি এন জি না থাদরগা ফংলকপা শেন্দোংশিংগী চাদা ১৫ মশরুক লৌবা হায়বসিদা লেপ্নখিবনি।

নাউটিলস মিনরেলসকী চিফ একজিক্যুটিভ মাইক জোনষ্টননা বি বি সিদা হায়খিবদা, থৌরাং অসি মতম শাংনা চংলক্লবা মরমনা হৌজিক্তি মরী লৈনবা মীপুম খুদিংমক হরাওবা ফাওনরে। প্রোজেক্ট অসিগীদমক মায়কৈ কয়াদগী শৌগৎনদুনা লাকখিবনি। অদুগা থৌওং অসি ওইথোক্কনি হায়বা থাজরমদবা লমদম অমদা থাজদবা চাংদা রিভেন্যু থোকহনবা য়াগনি হায়বসি মীপুম খুদিংমক্লা হেক্তা পাম্নবা অমদি ওইরি হায়না ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা হৌবা তারবদি খনি অসিনা সমুদ্রগী ইরোন্নুংদা কা হেন্না শাবা ওইরবা অদুগা এসিদকী চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওবা ঈশিং কাপথোরকপা হায়দ্রো থর্মেল মখুলশিং লৈবা সমুদ্রগী লৈমায়শিংদা চলাইগনি।

হায়রিবা মফমশিং অসিদদি য়াম্না শারবা অদুগা এসিদকী চাং কা হেন্না ৱাংনা য়াওবা ঈশিংনা অইংবা অমদি অলকালি হেন্না য়াওবা সমুদ্রগী ঈশিং থেংনরগা নমদুনা মিনরেলশিং চাং ৱাংনা তুংশিন্দুনা লৈবনি। মসিনা মরম ওইদুনা কংফালদা ফংলিবা সনা অমদি কোরিগী ওরশিং অসিদগী য়াম্না হেন্না শেংবা সনা অমদি কোরি য়াওবা ওরশিংনা সমুদ্রগী লৈমায়দা শন্দোক্তুনা লৈবনি।

জোনষ্টননা হায়খিবদা, থা ১৮ লোম চংনা মফম অমদা চথখিবা চাংয়েং অমদা সমুদ্রগী লৈমায় শীনবা থুংনা কোরি অহিংবা শন্দোক্তুনা লৈরে হায়বা খঙবা ঙমখ্রে হায়খি।

প্রোজেক্ট অসিগী শীজিন্নবা টন ৩১০ ফাওবগী নুংদুম ককপা ঙম্বা মেছিন অদু য়ুনাইটেদ কিংদমদা শাবা লোইদুনা লৈরে হায়রি।

অসিগুম্বা ধাতু মপৈশিং অসি খনি তৌদুনা লৌথোকপগী ৱাফম অসি মসিদা চেন্নরিবা অৱাংবা চাদিং অমদি ইঞ্জিনিয়ারিংগী খুদোংচারোইদবা কয়ামরুমগী য়েংদুনা ওইথোকপা য়াররোই হায়না থৌশাদনা লৈরকপনি হায়রি।

অদুবু হৌখিবা চহি খরদা সমুদ্রদগী পংলাপ লাপথোক্তনা থাউ অমদি গ্যাস মরাং কায়না লৌথোকপগী থৌরাংশিং কন্না হেনগৎলকপদগী সমুদ্রগী ইরোন্নুংদা কুমথদুনা খুমাং চাওশিনবা টেক্নোলোজি শীজিন্নরগা মমল য়াম্বা ধাতুশিং লৌথোকপগী থবক্তা পুক্নিং চংনরকপনি। সোলৱারা-ৱান হায়না খঙনগদবা খনি অসি ইমায় মথক্তা তাওদুনা লৈবা জহাজ অমদগী রোবোটিক মেছিনশিংনা কন্ট্রোল তৌরগা থবক চথগদবনি।

ঈশিং মনুংগী মেছিনশিং শাবদা অখন্নবা হৈ শিংবা সোইল মেছিন দাইনামিক্স (এস এম দি) হায়বা ন্যুকেসলদা বেজ তৌবা মেন্যুফেকচরর অমনা কট্টর মেছিন অসি শাবা লোইখ্রে।

চথগদৌরিবা থৌরাংদি সমুদ্রগী ইমায়গী মথক থংবা লৈমায় তৌথোক্লবা মতুংদা ধাতুগী ওরশিংদি লৈনাংগী মওংদা মথক্তা কাপখৎলক্কদবনি। অদুবু ইনভাইরোনমেন্ট কন্নবা কেম্পেইন চংশিনবশিংনদি সমুদ্রগী ইরোন্নুংদা খনি তৌবা অসি কা হেন্না মাঙ তাক্লিঙাইহনি হায়বগা লোয়ননা কয়ামুক মাঙ তাক্কদগে হায়বদি চপ চাবা খঙবা ঙমদবগী চাংনি হায়না মতম শাংনদগী য়েৎতুনা লাকখিবনি।

# ইন্দিয়াদা পোকখিবা রজিব সুরি নোকিয়া সি ই ও হাপখ্রে

*হেলসিনকি, এপ্রিল ২৬ঃ* ইন্দিয়াদা পোকখিবা রজিব সুরিবু নোকিয়ানা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা মসিগী মথংগী সি ই ও ওইনা লাউথোকখিবগা লোয়ননা ইক্বিপমেন্ট বিজিনেসকী অনৌবা লাল্লোং অমা চাওরাক্লা ফোঙদোকখ্রে হায়না ফিন্দলেন্দগী পাউচে অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াদা পোকখিবা সুরি (৪৬) অসি সি ই ও গী ফম অসিগী খ্বাইদগী থাজবা য়াবা য়াবা থৌ পুবা অমা ওইনা চহি কয়াদগী খন্নদুনা লাকখিবনি। কম্পেনি অসিগী নোকিয়া সোলুসন্স এন্দ নেটৱার্ক্স হায়বা নেটৱার্ক দিভিজন অসি তশেংনা শেন্দোং লৈবা অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা সুরিনা অচৌবা থৌদাং লৌরকখিবনি।

মঙলান অসি ওইথোকহন্নবগীদমক মহাক্না অকনবা খোঙথাং খরা পুথোকপগা লোয়ননা শেন্দোং লৈতবা বিজিনেস অমা ওইরম্বদগী মথক মখা ওন্থোকপা ঙমখিবনি।

কম্পেনি অসিনা চেন্নাইগী মেন্যুফেকচরিং প্লান অসিবু খ্বাইদগী চাওবা ফেসিরিটি অমা ওইনা থম্বগা লোয়ননা হন্দক্তা মাইক্রোসোফকা য়ানখিবা অদুদা চলহনখিদে হায়রি।

ফিনলেন্দগী হেন্দসেট পুথোকপা কম্পেনি অসিনা থা অমরোম চোম্থরগা লোইশিন্নখিবা ত্রাঞ্জেক্সনগী ভেল্যু অদু হান্না লাউথোকখিবা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ৭.২ অদুদগী খরা হেনগৎহনখিবনি।

ফার্ম অসিনা মসিগী দিভাইসেস এন্দ সার্ভিসেস (দি এন্দ এস) হায়বা বিজিনেস অসিগী অয়াম্বা শরুক মাইক্রোসোফটতা য়োনবদা মমাং চহিগী সেপ্তেম্বরদা অয়াবা পীখিবনি। চেন্নাইগী প্লান্ট অসিনা মখা তানা এগ্রিমেন্ট অমগী মখাদা মাইক্রোসোফটকীদমক দিভাইসশিং শাখিগনি হায়নসু নোকিয়ানা ফোঙদোকখি।

# দি আর কোঙ্গোদা নেৎশিন্নবদা মীওই কয়ামরুম শিরে

*কিকুইট, এপ্রিল ২৬ঃ* কোঙ্গোগী লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা শৈশকপা কিং কেষ্টর ইমেনিয়াবু ইকাই খুম্নবা উৎতুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমগীদমক শরুক য়াবা লাকখিবা মীয়াম নেৎশিন্নবদগী মীওই কয়ামরুম শিখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

চহি অসিগী হৌরকপদা মশাগী চহি ৫৭ শুরবা শৈশকপা অসি পেরিসতা লৈখিদবনি। মহাকপু ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা পাঙথোক্কদবা কন্সর্ট অমগীদমক দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোদা লৈবা কিকুইট টাউনগী ষ্টেদিয়ম অমদা য়ান্নবা মীয়াম লাক্লখিবনি।

নেৎশিন্নবগী থৌদোক অদুদা মীওই কয়া শিখ্রবগে হায়বা মশিংদি লোকেল ওঠোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্ত্রি। হৌখিবা মার্চ থাদসু কিনসাসা মনাক্তা লৈখিদ্রবা শৈশকপা অসিগী অরোইবা মথৌ মঙমগী থৌরমদা মীওই লিশিং কয়া পুনখিবনি। শৈশকপা অসি পেরিসতা থম্মোয়গী লায়নানা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি।

এ এফ পি নিউজ এজেন্সিনা হায়বদা, ইমেনিয়া অসি কোঙ্গোগী নাৎকী ওইবা ঈশৈ নোংমাইগী কালাদা সিন্থেসাইজরনচিংবা নোংচুপ লমগী ইলেক্ত্রোনিক ইন্সত্রুমেন্টশিং শীজিন্নবা হৌদোল্লম্বা অনৌবা ৱাখল্লোন চেনবা ম্যুজিসিয়ান অমনি হায়না শিংথাখি।

হয়েং নোংমাইজিং ফাওবা চথগনি হায়না তৌরম্বা মহাকপু ইকাই খুম্নবা উৎপগী ফেষ্টিভেল থৌরম অদু লাইবক থিবা থৌদোক অসিনা মরম ওইদুনা কেন্সেল তৌখ্রে হায়না পাউগী লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।


TECHNICAL COACHING CENTRE
Sagolband Meino Leirak (Near Atom Bapu Research centre)
Crash Coaching for the recruitment of MPSC Section Officer
Grade –I (IT) and Grade – II (IT)
Classes already started on 04/04/2014
** Only few seats left
# 9863307164, 8974708390, 9863195441
SI/C-20-20 May